ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯣꯒꯁ ꯲꯹, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯵꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, ওগষ্ট ২৯, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১৫৫ শুবা মশীং

# নৌরিবা অঙাংশিংগী লীচৎ

## *খুন্নাই অসিনা করি তৌসিগে হায়বা ঙল্লিঙৈদা খন্নহৌসি*

হোংলক্লিবা মতমগী ঈচেল কনানসু থিংবা ঙল্লোই। মসি হায় হায়দুনা চহী নৌরিবা অঙাংশিংদগীনা কাংদোং ফাদ্রিবা নহারোলশিংগী লমচৎ-শাজৎ অসি মনিং তমহনবা হায়বসি খুন্নাই অসি মাঙননবগী মশক ওইরক্কনি। মতম অমদা লম্পাক্তা নৎত্রগা শুমাঙদা চেন-চোংদুনা শান্নরম্বা অঙাংশিং হৌজিক্না এন্দ্রোইদ মোবাইল ফোনদা ঙাওদুনা লৈনরে। মহৈ-মশিং তল্লিবনি, মখোয়দা খুন্নাই অসিনা থাজবা থল্লিবনি হায়বা ৱাখল্লোন অমত্তা খন্দবমখৈ অতাংবা মোবাইল ফোন পায়রগা ফমুংদগী নৎত্রগা কাদগী হেন্দোক্তবা মহৈরোয় কয়া লৈবগে হায়বসি কনানা নিংশিংবীরিবগে? খরা ৱারক-ৱাতেম্বা কনবা ইমুংগী মচা-মশুশিংনা মপূন্সিদা পজেং ফিরাল থেৎখিগনি অদুগা ৱারকপা ৱাৎপা, মোবাইল ফোনদা ঙাওজবা অঙাংশিংনা নিংবা কায়বগী পূন্সিরোল অমদা লৈহৌগনি। মখোয়গুম্বা কয়াগী পূন্সিনা কঙাওননা লৈহৌবদু থিংহৌনবগীদমক্তা খুন্নাই অসিনা করি তৌসিগে হায়বা ঙল্লিঙৈসিদা খন্নহৌবা ফৈ। চাউখৎলবা লৈবাকশিংদা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংনা মখুৎতা মোবাইল ফোন অমা পায়রগা লম্বী চৎপা কাওবগী লমচৎ অদু লম খূদিংমক্তা মীপান তাংলগা হিংলিবা মণিপুরী মচাশিংদা লৌরকপা হায়বসি খুন্নাইগী ওইনা লাইবকথীবনি হায়দবা ঙল্লোই। হৌজিক্কী ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিং নৎত্রগা ক্লাস নাইন-টেন তল্লিবা মহৈরোয়শিংগী লমচৎ শেম্বা হায়বসি মমা-মপা ওইবশিংনা মপূং ওইবা থৌদাং লৌফম থোকই। মতম অমদা ওজাশিংনা নৎত্রগা মহৈশঙনা স্কুল অঙাংশিংগী লমচৎ-শাজৎ শেম্ফমনি হায়না লৌনরম্বা অদু ইন্দিয়াগী রাইট টু এদ্যুকেসন এক্ট চৎনহল্লকপদগী ওজাশিংনা নৎত্রগা স্কুল ওথোরিটিনা অঙাংশিংবু করিমত্তা ৱারকপা য়ারক্ত্রে। খরা চৈ-থাংবা নত্তনা খজিক্তং কনবা চৈরাক পীরুবদা মমা-মপা ওইবশিংসু মচা ফহন্নিংবগী ওজাশিংনা তৌরিবনি হায়বা ৱাখল্লোনদু কাউথোক্লগা লো য়াম্না খঙবা, লো ঙাক্না চৎপা মীওই অমদৌনা ওজাশিংদা ওনশিল্লক্লে। অসুম্না মান্নবা তনবদগী স্কুল ওথোরিটিসু, ওজাশিংসু মখোয়না তৌরিবা থবকশিং অসি সার্ভিসনি হায়বা কাউথোক্লে, কম্মর্সিয়েল ওইবা লম্বী অমদা লাক্লে। মসিনা তুংদা খুন্নাই অসি করম থোক্লগদবনো হায়বা খল্লুবদা লৈতাদবা মওং কয়া মণিপুরদা লৈরিবগে হায়বা হংনিংঙাই ওইরে।

মতম খরগী মমাঙদগী হৌনা সোসল মেদিয়াদা নুপা খরনা য়েংদুনা লৈরগা নুপী মশেল ফুনবগী ভিদিও ফুটেজশিং থাগৎলকপা থেংনখি। ওন্থোকপা লৈবাক্লি ওইরম্লি হায়না হন্থনা খনখিবা ৱাখল্লোন অদু অমুক মণিপুরদা চঙ্থরকপা থেংনরে। ঙসি-ঙরাং সোসল মেদিয়াদা চহী নৌরিবা নুপীমচাশিং কাঙবু-কাঙবু নাইনরগা ফুগাইনবা, নুপামচাশিং মখুৎতা মোবাইল ফোন অমা পায়রগা ভিদিও ক্লিপ্পিং লৌবা অমসুং মফুরিৎ শেগাইয়ু হায়দুনা লাউশিনবগী থৌওং উরুবদা মণিপুর খুন্নাই অসি করম্বা মতমদা লূপখিগদগে হায়বা তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরে হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্না নৈনবা মতম ওইরে। অমুবা মচুগী ফুরিৎ-খোঙ্গ্রাউ সুট তৌরগা লুপা লিশিং ৫ পীবা খোঙউপ অমমম তোংবা অমসুং মশম ঙাঙনা শংবা নহা মপূং ফাদ্রিবা অঙাংশিং অদুগী মতৌ অদু ঐখোয় পুন্নমক্না তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপা চুল্লিব্রা হায়বসিসু নৈনহৌসি। লাইরিক খাউ অমমম য়ালহল্লগা গাড়ী মচা অমমম তোংহন্দুনা ট্যুসন চৎলিবনি হায়রিবশিং তশেংনমক চৎলিব্রা হায়বা মমা-মপা খরদি নোংমতা য়েংশিন্দবদৌনা তৌরে। নৌরিবা অঙাংশিং অদুনা কাঙবু-কাঙবু নাইনরগা লৈকায় অমগী নৎত্রগা খুল অমগী লম্মাংদা ফুন-চৈনবগী মতৌ অসিবু অফবা লমচৎনি হায়না লৌবা চুম্ব্রা? মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মণিপুরদা কুমজা ১৯০৪ দা অহানবা নুপী লাল থোকখি। অহানবা নুপী লাল অদু পুলিস এজেন্টকী বঙ্গলো শকখঙদবা খরনা মৈ থারম্বগী চৈরাক পীবা ওইনা চহী ১৭ তগী ৬০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা কয়ামরুম কবো তম্পাক তানা চৎলগা টিক লৌরুগদবনি অমসুং হান্নগী যুম অদুমক শাগদবনি হায়বা বৃটিশকী থৌশিল অদুগী মায়োক্তা নুপীশিংনা হৌখিবা ঈরাংনি। অনীশুবা নুপী লালনা পোইনুদা চাক তাংবগী অৱাবা মায়োক্লুরকপদা কুমজা ১৯৩৯ দা হৌখিবা ঈহৌ অদুনি। হৌজিকসু মণিপুরী খুন্নাইদা নুপীশিংনা লৈবাক্কীবু ওইরো, য়ুমগীবু ওইরো অচৌবা থৌদাং লৌরগা লৈরিবনি। হৌজিক্তি লো শেম্বদা নৎত্রগা লৈঙাক্কী থৌবাঙলোয় ওইনা থবক তৌরকপদা নুপীগী চন্নফম লৈরবা মতমসিদা নুপী ওইবীশিংনা মহৌশাগা মান্নদবা লমচৎ অমদা লাকপা হায়বসি খুন্নাই অসিগী ওইনা তুংদা করিদা মাঙজরক্কদগে হায়বা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা, মহৈরোয় লূপশিংনা অমসুং মণিপুর লৈঙাক্না ৱাখল মুন্না তৌহৌবা চুমগনি। অসিগুম্বা ফত্তবা চৎনবী অসি অসুম লমদম্নহনবা তারবদি মণিপুরী খুন্নাইগী মরাইবক ওন্থোকপা ফীভম অমদা লাক্লগনি। নুপীমচা ওইরবসু, নুপামচা ওইরবসু মখোয়বু ৱারক-ৱাতেম্বগী থৌদাং নিংথিনা লৌবা ঙমদবা মমা-মপা ওইবশিং অদুসু খুন্নাই অসিনা অফবা পাউতাক খরদি পীফম থোক্লুবনি।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### মণিপুরগী লম্বীশিংদা খামজিল্লিবা স্কুলগী গাড়ীশিং

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর*

**মণিপুরদা** চলাইরিবা লৈঙাক অমদি লন্নাইগী স্কুলশিংগী গাড়ীশিংনা মহৈরোয় থিন্দোক থিনজিন তৌবদা লম্বী চিলহনবা নোংমা নোংমগী হেঙ্গৎলক্লি। চাওখৎলকপগী মতুংইন্না মণিপুরগী মীশিং হেঙ্গৎলকপগী মতিক গাড়ীগী মশীংসু নোংমা নোংমগী হেঙ্গৎলকপনা লম্বী চৎথোক চৎশিন্দা অচৌবা অপনবা অমা ওইরক্লি। মসিগীসু মথক্তা অথুবা মতমগী নংনবা চৎনরিবা, মতম শোয়বা য়াদবা থবকশিংদসু গাড়ী চিনবা (ত্রাফিক জাম ওইবা) হায়বদি গাড়ীশিং চৎপা য়াদবনা পরেং পরেং শাংনা লৈশিনবগী মথক্তা সরক্কী নাক য়েৎতা স্কুলশিংগী গাড়ীশিং খামজিনবনা অচৌবা অৱাবা মায়োক্লরি। পুন্নমক অসি খঙনবু ওইরবসু, খঙদনবু ওইরবসু মীওই কনামত্তনা, পানখ্রিবা অমদি পাল্লিবা লৈঙাক্না ঙসি ফাওবদসু করিগুম্বা মিৎয়েং চঙবা লৈরক্ত্রি। লম্বী চাওথোরক্লি, চাওথোকপদগী নাকন্দা গাড়ী খামজিনবগী মশীংসু য়ামখৎলক্লি। ‘ফজনবু শীজিন্নদ্রবদি চাওথোকহল্লুবগী কান্নববু করিদনো’?

সরক চাওথোক্লে হায়দুনসু সরক মপান্দা খামজিল্লিবা গাড়ীশিং অমদি পোৎচৈশিং পৈশিনবদা লৈঙাক্না য়েংদুনা লৈবনদি সরক চিনবা ফবা ঙল্লোই। ঐখোয়গী লমদম মণিপুর অসিদা আইন লৈতে, চৎন-কাঙলোন ইন্নদে, মানা মানা পাম্বদুনা অফবা অচুম্বা ওইনা লৌনৈ।

মরম অসিনা মতাং অসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি লৈঙাক অসিনা অকনবা ফিরেপ অমা লৌদুনা অকনবা য়াথং অমা তাওথবা মথৌ তাই। য়াথং তাওথবনদি চৎনবা য়ারোই, তৌদবা য়াদবা ৱাশক অমগা লোয়ননা লৈঙাক অসিগী তৌদবা য়াদবা ফিরেপ অমা মথৌ তাই। লৈঙাক পায়রিবনি হায়দুনা ঙমগনি ঙমলোই হায়বগী ৱাখলদি তৌদনা পাউচেদা, অতোপ্পা মীয়াম তিনবা মফমদা পংহায়দা হায়জিনবসি মমাঙগী মতমদগী তাদুনা লাকপা কুইরে। মমাঙথক্তগী শোয়দুনা লাকখ্রবা লৈঙাক অমদি মীচম মীয়ামদা চৈরুবগী কান্নবসু লৈরোই। মরমদি মসি মমাঙথক্তগী ঐখোয় পূন্নমক্কী অশোয়বনি। শোয়খ্রবা লানখ্রবা থবক থৌরমশিং অসিগী মপূ ওইরিবা লৈঙাক অসিনা অসুম য়েংদুনা লৈথোকপনদি অৱাবশিং অসি কোকহনবা ঙল্লোই।

মতাং অসিদা ঐহাক্না থমজনীংবা ৱাফমদি মতম কয়াগী মমাঙদা লৈঙাক্না লন্নাই স্কুল অমদি লৈঙাক্কী স্কুলশিং লিংখৎপদা লম্বী মপালদা স্কুলশিং শাবনা লম্বী চৎথোক চৎশিন্দা অকায়বা লাক্কনি হায়বসি কনানসু খন্নরমদে। লোয়ননা ঐখোয়গী লুচিংবশিং ফম্নাইবশিং লৈবাক পুরিবশিংনসু ৱাখল অসি খক খনখিবা লৈতে। মখোয়না মখোয়গী ফম কানবা, শেল চাহৌনবতা খন্দুনা ঙসি ফাওবদসু মীয়ামগী অৱাবশিংগী মরমদা খন্থবা ঙমদে। লৈবাক খুন্নাই অসিগী মীশিংনা য়ামখৎলকপনা লম্বী চৎপা য়ারক্ত্রিবা অসিগীদমক্তা লৈঙাক্না অসিগুম্বা স্কুলশিং অসিগী গাড়ীশিং অসি লম্বী মপান্দা থাদনবগী থৌরাং অমা পায়খৎপা চুমগনি খল্লি।

ঙসিগী লৈঙাক অসিনা হৌজিক্তগী হৌনা সরক্কী নাকন্দা খাল্লিবা গাড়ীশিং অসি স্কুল স্কুল অদুগী মশাগী লমদা (মফমদা) খামহন্নবগী অকনবা থৌরাং অমা পায়খৎহৌদ্রবদি তুংদা য়াম্না অৱাবা ওইরক্কনি । মরম অসিনা লৈঙাক্কী মিৎয়েং চংবীয়ু হায়জরি।

*অদোমগী - লাইশ্রম মনাওয়াইমা সিংহ*
*নম্বোল মখা লৈকায়, পি ও, পি এস, নম্বোল*

# গোদ ফাদর অমগী ভর্দিক্তা মীশি মীনা থোরকপা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪৫২

**জিতেন নামৈরাকপম**

**ঈ-পাউ** তাবা, উবা, পাবা হায়বসি হৌজিক্কী মতম অসিদদি নোংমগী তৌদ্রবা য়াদ্রবা মথৌ অমা ওইনরবনি। মসি মতমসিদা হিংলিবা মীওই খরখক্কী ৱা নত্তে। পুন্নমক্কীনি। মাস কম্যুনিকেসনগী খোঙজেল অসুক্কী মতিক য়াঙলবা মতম অসিদা হৌজিক্তি নোংমা নোংমগী, খুদক খুদক্কী পাউ তাবা, উবা, খঙবা হায়বসিসু অসুক্কী মতিক মরু ওইরক্লি। নুপী, অঙাং, অহল খাক্তনা হৌজিক্তি মালেমগী মফম কদাইৱাইদা করি থোক্লিবগে হায়বসি খুদক খুদক্তা খঙবা ঙম্নরবনি। হকচাংগী মফম খুদিংমক শীংলি অচৌবা, মচানা শম্নবগুম ইন্টরনেটকী মতেংনা শম্নদবা মফম অমত্তসু লৈশিল্লক্ত্রে। মালেম অসি নোংমা নোংমগী পীকশিল্লক্লে হায়নীংবদুনি।

ঈ-পাউ তাবদা মীয়াম্না পান্নরিবসি চাওখৎ থৌরাং, নুংঙাই-য়াইফবা, থবক অমা তৌরুবদা মায় পাক্লকপা, মীকোক থোংলকপা অফবদুতনি। অকোয়বগী মীয়ামগী পুন্সি মহিংদা অকায় অতোয় থোকহনবা, মীগা মীগগী মরক্তা মুক্নরকপা, হুরান-চিন্থি, মীশি-মীনা, চাওখৎ-লমজেলদা মমাঙ থানা চেনবগী মহুৎতা মনিংলোমদা চেন্থরকপগী পাউদি কনানসু পান্নদে। তৌবতবু অদুগুম্লবা মখল মখলগী ক্রাইম, য়াম্না শাথিবা তাবদা থুক লাউবা পাউ তারগদি নুংঙাইজবা মীওই কাঙলূপসু লৈতবদি নত্তে। পাউচেগী হেদ লাইন পাবা মতমদা ঙসিনা করম্বা নুংঙাইবা পাউ য়াওরে- মী কয়া শিরবা, কনানা কনাগী মপোৎ হুরানখ্রবা, করম্বা দিপার্টমেন্টকী লুপা কয়া হুরানবা মশেল মান্নরগা লৌথোকখ্রে, ইন্টরনেসনল ন্যুজনা করি য়াওরিবা, নেসনল ন্যুজদা করি হায়না ফাক ফাক্তুনা থিবসু য়াওরি।

হন্দক্কী চহী হৌরকপদগী ইন্টরনেসনল ন্যুজদা মীয়াম্না খ্বাইদগী তোয়না তানরিবা, উনরিবা, পানরিবা পাউ অসি নোর্থ কোরিয়াগী খূৎলায় চাংয়েং তৌবগী পাউ অসিনি হায়বা য়াই। নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামগা মরী লৈননা কয়ারক হন্না টেষ্ট তৌখ্রে। য়ু এসকা কন্না উংখৎনরি। ঈংনা চিক্না, নুংঙাইবা পুন্সি মরেল অমদা পাঞ্জরিবা সাউথ কোরিয়াদসু নোর্থ কোরিয়ানা খৎনবা হৌরি, কাইহৌরি। য়ু এসসু লান কন্না ঔরাইখৎলক্লি। য়ু এসকী ৱার প্লেনশিং সাউথ চাইনা সী মথক্তা পাইশিল্লি। চাইনা, রসিয়াসু লৈবাকশিং অসিনা লানগী শেম শারকপদা নাকন্দা য়াওশিনগদবগী ঙাইরি। নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং অনসু মঙক ফজনা কল্লি। ন্যুক্লিয়র টেষ্ট তৌরগুমসি ৱারহেদ পুবা ঙম্বা কন্টিনেন্ট লান্না পাইহল্লগা পোকখায়হন্দুনা মীশি-মীনা থোকহনবা ঙম্বা মিসাইল কাপথোক্লরগুমসি হায়র হায়রগা হেনগৎলকই। য়ু এসকী দোনাল্ড ত্রম্পসু ৱা চাউনা চাউনা অদুমক ঙাঙই। সুপর পৱার ওইবা লৈবাক অমগী প্রসিদেন্ট অমা ওইবগী মথক্তা খোন্দা থীখ্রবা মীওইনি। নুমিৎ খুদিংগী পাউচে পারুবা খুদিং লৈবাক অনীসি ন্যুক্লিয়র খূৎলায় কাপথোক্লন্দুনা খুদক্তা লান হেক্তা তৌনরগদবনি। অনীসি লান তৌনগদবদি মালহল্লগা লানদি শুংতৌ তৌনদে হায়বা মীসু য়াওরি। তৌবতবু মালেম পূম্বনা খঙনরবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মুক্নরুবসি অয়াম্বা মতমদা মায়থীগল্লি হায়বসিনি। ইরাক্কী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা সদাম হুসেন য়াম্না শাথিনা ৱাহল্লগা হাৎতোকখি। মরাল লৈজদবা ইরাক্কী মীচম মীয়ামশিং মশীং খঙদনা অমেরিকানা চথরকপা লান্দা থৱায় লৌথোকপীখি। মীদল ইষ্টতা মমিং চৎলম্বা গদাফিসু মঙায় কুইনা হিংবা ঙমখিদে। এ কে ফোরটিসভেন অমা য়াল্লগা অদুম চৎপা বিন লাদেন অমেরিকাগী হৈশিংলবা লান মীনা অহিংদা চথখিবা অথুবা ওপরেসন অমদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎতোকপীখি। অমেরিকাগী ত্বিন টৱারদা এরোপ্লেন পাইশিন্দুনা থোমগাইরগা মীওই কয়া হাৎখিবা থৌদোক্কী মাষ্টর মাইন ওইরুবগী লমন খুমখি। অমেরিকাগা ফোংনা শিংনদুনা ন্যুক্লিয়র বোমগী লান কন্না ঔরাইরিবা, ৱাজাউ ঙাঙদুনা দিক্টেটরশিপকী রোল লৌদুনা মীচম মীয়াম্বু ওৎলিবা নোর্থ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট কিম জোং অনসু দোনাল্ড ত্রম্পকা শিংনরুদবা ফগনি খল্লি। মরমদি মীনা শক্তি য়াম্না হেল্লি। অদুগীসু মথক্তা য়ু এনগী শক্তি লৈরবা লৈবাক অয়াম্বনা অমেরিকাবু শৌগৎলি। নোর্থ কোরিয়া উফুল শোয়দনা ওলহনবা ঙম্বগী শক্তি লৈ। নহা ওইরিবা কিম জোংগী পুন্সি সদাম হুসেনগী দশাগুম নৈহৎপীখিগদবা মাল্লি। ন্যুক্লিয়র টেষ্ট তৌবা, মিসাইল কাপ্তুনা শান্নবা লেপ্পনা ফৈ হায়না খল্লি।

ঐহাক্কী ঙসিগী আর্টিকল অসি মণিপুর, ইন্দিয়া লাম্থোকখিদুনা নোর্থ কোরিয়া, অমেরিকা য়ৌথোকখ্রে। লাকচনীংলিবা ৱাফমদি নুংতিগী ঈ-পাউ পাবদা থেংনরিবা থৌদোকশিংদা অফবা নুংঙাইবা পাউ ওইহন্নীংলুবগী ৱানি। অদুবু নুংঙাইয়ু য়াদবা পাউতনা পাউচেগী লমাই থল্লকপা অসিনি। নুমিৎ খুদিংগী য়াওবা পাউ হায়রগনা নুপী অঙাংদা কারন তাবগী মতাংদা শুংলেপ লেপ্পল্লক্তবা অসিসু অমনি। অহল খঙদে, অঙাং খঙদে, মীয়ায় খঙদে অসিগুম্বা অচোপ অরেম, মীমাঙ থোকপদা ঈকায়বা য়াবা থৌদোকশিং মণিপুরদসু সেরিজ নাইনা থোক্লি। মীগী ময়ূমদা লোন্না চঙলল্লে, কাঞ্জ মখাদা লোৎলল্লে, মৌনহা মখৌরি মেৎলল্লগা চেনখ্রে, অপীকপা অঙাং নুপীমচাদা তৌহৈদবা থবক তৌরল্লে হায়বা মরালগী ময়ূম মকৈ শিদোকপা, মৈ থাদোকপা, লৈকায় মীয়াম্না ৱারকপা, বিচার তৌদুনা জেলদা থাজিনবগী পাউ তারিব্রা তাদ্রিব্রা খঙদে থবক্তি অদুমক লেপ্পুনা চথরকপসিগী খল্লুবদনি ঙক্লিবসি। ৱাখল ফাথবা ঙমদবা, শা- কৈগী ৱাখল, লীচৎ চৎপা মীতনা শৌ শারকপগুম তৌরক্লে।

হৌজিক্কী ফোং ফোং শারিবা পাউ হায়রগনা নেসনল ন্যুজ ওইনা পঞ্জাবী মচা গুরমীট রাম রহিমগী রেপ কেসকী মতাং অসিনি। মতম কুইনা নমশিন্দুনা থল্লুরবা কেসনা মখা চথরকপদা মীশি মীনা য়াওরক্লে। মহাক্কী ভর্দিক লাউথোরকপদা মহাকপু শৌগৎপশিংনা অকনবা হিংসাগী থৌওং কয়া চথরক্তুনা মীওই ৩২ গী মথক্তা শিখিবা অমদি মশীং থীঙমদনা অশোক অপন নংহনখিবা অসিনা মহাকপু নুংশিজবা থাজবা মীওই কয়া অমা লৈরি হায়বদু তাক্লি। মশানা মশাবু লাইগী শক্তি চেনবা মীওইনি হায়জদুনা লাইফাও ফাওরগা মাবু থাজজবা মীওই লিশীং, লাক্ষ কয়া হুমদুনা পুবা ঙম্বা ইনি দয়ানি। রাম রহিমগী ওইনসু মশীং থীঙমদবা মাগী তুংইনবশিং লৈরি হায়বসি থৌদোক অসিনা তাক্লি। মহাকপু মরালগী মতুং ইন্না মতিক চাবা দন্দি পীরকপা মতমদা মখা তানা মীশি মীনা থোরক্তনবগীদমক ঙাক শেন্দুনা থল্লক্লবসু খুদোংথিনিংঙাইহিদি অদুমক ওইরি। তশেংনা মশানা মশাবু লাইনি হায়জরগা মাবু থাজজবশিংবু নমথাক তৌবিদুনা নুপী অনী ঈজৎ মাঙহনবা হায়বসিদি পাপকী মশকনি। গোদমেনশিংগী য়াম্না ফৎখিদ্রবা লীচৎ অমা লৈ। মদুদি মখোয়না ফত্তবা ওইদ-পাদবা, মীয়াম্বু মীনম্বা থবক তৌশিল্লগা ঐনা তৌবা নত্তে, লাইনা তৌবনি হায়না তায়শিনবগী হৈনবী লৈবা অসিনি। করিগুম্বদা রাম রহিম্না মহাক্কী ফোল্লোৱর নুপী অনী অদু তশেংনা লাইনা ঈজৎ মাঙহনবনি, লাইগী পাউতাকনি হায়রমগনি। মদুনি চৈ য়াম্না চাগদৌরিবসি। অসিগুম্বা থৌদোক অসিদি হরিয়ানাখক্তগী ৱাসু নত্তে। মণিপুরদসুনি। মণিপুরগী মাইবা শাবা কাঙবুগী মরক্তগী লমচৎ লুদবা কাঙবুনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোকহনখিবা মশীং থীঙমদনা লৈখ্রে। পারি, পন্থৌ, ইবুধৌ করি-করা তোংবা কাঙবুনা মখোয়বু নীংজবা নুপীশিংবু অরানবা লম্বীদা চিংশিন্নবা খক হোৎনরোইদৌবনি। লোয়ননা গোদফাদর শাবশিংগী মতুং ইনবা অপংবশিং মতুং ইল্লোইদবনি। থাদা মীওইবনা খোঙদাখ্রবা মতম অসিদা ঐখোয় অপং থাজবদগী লাপথোক্লবা হোৎনগদবনি। মরুওইনা মণিপুরদা শাফোঙলক্লিবা লাইতোংবশিংগী মীনম শরৌদা ঐখোয় খক ঙাওরোইদবনি।

# তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌ শাফোংলে - ৪

ৱাখল ইহুল

**আচার্য্য সোরাম ইবোহল**

হৌজিক্কী খুন্নাইগী তাইবঙ মীশিং য়াম্না ফৎনদ্রে। লাই অমগী শাদোংদুনা পাউজেল্লোই ওইবা/ওইবী নত্তবা, তম্লুরগা খঙ হৈবা (শাবা) কয়াসু লৈতবা নত্তে। তম্লুরগা খঙ হৈবশিং অদুম চেকশিন্নীংঙাই ওই। মরমদি মখোয়না তম্লুবদুগী চাংয়েং তৌনীংগল্লি, পুকচেল শেংনা শেল তানগন্দে। অদুগা শাগোন্নবা লাই অফবা ওইরবদি অতোপ্পদগী তম্লুদ্রবসু শাফোংবিরিবা লাইদুনা অয়াম্বা ঙাকপী শেনবীবগী মরমশিংসু অদুম তম্বী। খুদম ওইনা, তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌনা মশুনুপী লাইশ্রম মমতা চনুবু কয়াম নুংশিবিবগে হায়বগী মতাংদা ইপুধৌ মমতা চনু হায়না পাউজেল্লোই ওইবিরিবসিনা মহাক মশাগী ওইনদি লাইগী লাইরোলগী মহুৎতা ইরমদম ইমালোননা শোঞ্জবা য়াবা লোল মখৈদমক খঙজগে হায়না হায়জবদা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌনা য়াবি। অদুনা মশু ইবেম্মা মমতা চনুনা ইপুধৌ খুমনবু চাংদমনীংঙাই লৈতনা নুংশিজে হায়না পাউদম্বী। অতোপ্পা খুমন অমনা, নোংমগী মনুংদা অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাং হায়না মতম অহুম খায়রিবসিদা ইপুধৌ মমতা চনুগী ওইনদি মশা অমদি কনাগুম্বা মীফৎতা অমদি তিনমু লাইমু, শরোই ঙারোই ফত্তবশিং, ঙাকথোক্লুবগীদমক্তদি কুরু অহুমগী থাঙ মখল হায়বদি মঙাং থাঙ, লুৱাং থাঙ, খুমন থাঙশিং মশাদা য়েপফম চানা য়েপ্পী। অদুগা খুমন ইপুধৌনসু মখল খুদিংগী ফত্তবশিংদগী ঙাকথোক্লুবা কাঙলোনশিংসু তাকপী তম্বীবনা মথক্তা হায়জখিবদুনি-ইপুধৌ লাইশ্রম মমতাদি কনাগী মফমদগী তম্লুদে। মশাদা কুরু অহুমগী থাঙশিং য়েপ্পা অমদি করম্না করম্বা মতমদা শীজিন্নবা হায়বগী মতাংদসু অইবদা খঙবা য়াবা মওংদা পাউদমই অদুবু মশাগীদা নত্তনা অৱা অনা তারবশিংগীদমক ঙাক্লৌ ওইনা শীজিন্নগদবা মরম ওইবনা, মশাগী মরন্নাইগী ৱাফম ওইবনা কুপ্না পাউদমজররোই।

কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংনা চয়োলগী নুমিৎ য়ূমশকৈশা ইপুধৌ খুমনগী পোত্থাবা নুমিৎ হায়বদি ইপুধৌ মমতা চনুগী পোত্থাবা - হায়বদি মীয়ামগী পাউতাক পাউজেল নোংমখক্কী ওইনা লেপ্পা নুমিৎ নত্তবিদা অতৈ নুমীৎশিংদদি নুংথিলগী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ২.০০ গী মাঙওইননা লমলেন ককৱা লিলান্দো লম্পাক্কী মমাঙ পাংনা ময়ায় ওইরপ্না হাইগৎলগা লৈবা ইপুধৌ মমতা চনুগী মরাং য়াইদা লৈরিবা ইপুধৌ তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী শঙলেন্দা মৈবি মৈরা মনম (ধুপ), হৈরাং-লৈরাং, তরেৎকী শেঞ্জানচিংবা কৎচদুনা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী মফমদা থৱায় হকচাং য়াওনা থৌনিজবা মতমদা ইপুধৌ মমতা চনুনা ইপুধৌ খুমনগী পাউজেল ওইনা পীবিরক্কনি। মতাংসিদদি অপ্রাজিতা লৈ, চিগোংলৈ, নুমিৎলৈ, কুন্দোলৈ হায়রিবা লৈ মখল মরিসি নত্তবা অতৈগী মথক্তা ফল্লগা মী কনবগী থবক অমদি অতৈ মরমদা চথরকখি। তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী শাফোংখ্রবা শঙলেন তাঞ্জেং লমলেন্দনা থা খুদিংগী থানিল (পূর্ণিমা) নুমিৎ খুদিংগী ওইনা পাউজেল পীবদা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী অখন্নবা মতিক ময়াই ‘রে’ না কান্বদা মালেমগী মফম খুদিং শিন্থুংনা য়ৌবা ঙম্বনা অনকপা অমদি অরাপ্পা থিদনা মথৌ তারবদি তৌবসি হৌজিক্তদি মশাগী ওইবা মরম খরদগী অখন্ননা তৌবগী পাউদমদি লৈ। ঈশিংদা শোল্লগা পীথকপা, নারিবা মীদুগী ফীভমগী মতুং ইন্না নারিবা মফমদুদা তৈবা-অসুম্না নুমিৎ তরেৎনি তৌবদা অনাবশিং ফখিবগী ৱারীদি শিংথাদুনা হায়বদি অনা লায়েংশঙশিংদা নৎত্রগা লন্নাইগী ময়ূমদা/ক্লিনিক/হোস্পিটালদা অনাবশিংগী মমিং মথা ইরগা থম্নবা অদুমক নত্তবনা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী য়াইফ থৌজালদগী ফখিবা মীশিংগী মশীংসু ফনা য়ামখ্রে হায়না পাউদম্লকই। অমুকসু মমিং মথা ইদনা টোকন পীরগা লায়েংনবা য়াওবা অদুম হায়নসু মশা য়াওদনা য়াম্না নক্লবা মী অমনা থৌনিজরগা ইপুধৌ মমতা চনুনা লায়েংদুনা ফনখিবা মীগীমশীংসু অদুম য়ামখ্রে হায়না মশানা হায়বদগী হেন্দোক্তুনা ইপুধৌ খুমনগী পাউজেল্লোই ওইবিরিবী লাইশ্রম মমতা চনুগীদা পাউতাক পাউজেল লাকপী লাকপশিংনসু অইবদা পাউদমলকখি। মখা তানা অসুম্নসু পাউদমলকখি - কনাগুম্বা মমিৎতা মচা উবা ফংদবদগী অৱাবা কয়া পুন্সিদা নংলম্বশিং তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী য়াইফ থৌজাল ফংনবা ইপুধৌ লাইশ্রম মমতা চনুনা পাউজেল পীবিবদগী খুন্নাইগী মরী লৈনবা ইমুং কয়ানা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌবু ইপুধৌ মমতা চনুগী খুত্থাংদা লৈশি লৈথোঞ্জবা কোঙ্গাই অমসুনি। পাউদমজরিবনা থমজরিবা পাউদমদি ইপুধৌ মমতা চনুগী মরাং য়াইদা ইপুধৌ খুমনগী পাউজেল লাক্লম্বশিংনা পাউদম্বদগীনি। শম্না থমজনীংবা ৱাফমদি - অহান অকোন তৌবনা মরী লৈনবা অপান্থশিংনা করিনো হায়নরিবসি অমুক্তা য়েংবিনবা মীয়ামগী মফমদা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী পাউজেল্লোই ওইবিরিবী ইপুধৌ মমতা চনু হায়না খঙনবিসিগী মরমদসু তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌ শাফোংবগী শরুক অমা ওইনা পাউদমজবনি।

তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী অহকপা য়াথংগী মখা চথরকপা তাঙ্কক অমা ওইনা লাইশ্রম মমতা চনুদা চহী অহুমদি পাউজেল পীবা মতমদা খুকউ লৈতারগা তৌগদবনি হায়বসি খুমন ইপুধৌবু য়াম্না কিজনা, লুম্নসু লৌবগা লোয়ননা য়াম্নসু নুংশিজনা মমতা চনুনা ইপু খুমননা হায়বদুমক তৌখি। মরকসিদা খুমন ইপুধৌনা মশু মমতা চনুবু নুংশিবিবদগী চহী অহুমগী মনুংদা ইপুধৌগী শঙলেন শাবিগনি হায়সিমক পাউজেল লৌবা লাকখিবশিংনা পেঞ্জবা অমদি ইপুধৌবু চেৎনা থাজবিবদগী মমতা চনুনা শাগে খল্লিবা শঙলেনদু শাবদা মীয়াম্না মানা মানা ঙম্বা মওংদা মতেং পাংবিবদগী হায়রিবা চহী অহুমগী মনুংদা ইপুধৌগী শঙলেন শাবা লোইদুনা ইপুধৌ খুমনগী অহকপা য়াৱা অদুমক চুমখি। মতমদুদদি মমতা চনুসু মথোৎ কারকপগী তনৌরিবী লৈশাবী ওইবগী মথক্তা খুমন ইপুধৌনা অঙাংবা মচুগী ফিজোল শেৎলু হায়না তাকপীবদগী টি-সার্ট অঙাংবা অমদি চুনি অঙাংবা লিৎপা য়ানবা তৌরগা পাউজেল পীরিঙৈদা মীওই কয়াগী মশাগী অনাবা, ইমুং মনুংগী অৱা অনা কয়াবু খুমন ইপুধৌগী য়াইফ থৌজালদগী ফখিবা, কোকখিবশিংগী মনুংদগী খরা হেন্না লায়না খঙবা ঙমগদবা মীওই খরগী মরমদা খুদম চাংদম ওইনবা, পাউচেসিগী পীকখ্রবা কলমসিগী য়েংলগা মখাগী অসুম্না থমজগে।

অহানবা খুদম ওইনা শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবা সুনিলগী নুপী চাওবী দেবী- হায়রিবা নুপী অসি মতম ফনা শাংনা মখোল (খোঞ্জেল) শিরন্বদগী ৱা ঙাঙবদা নুংঙাইতবা, অতৈ অতৈনচিংবগী অকিবা লৈরম্বদু তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী পাউজেল্লোই ওইবিরিবী লাইশ্রম মমতা চনুনা নুমিৎ তরেৎনি মথক্তা হায়খিবদু লায়না লায়েংবিবদগী পুংফা ফখিবদগী হরাউবা অমদি ইপুধৌগী মফমদা তৌবিমল খঙবা উৎচবা ওইনা সুনিল অমদি মাগী নুপী চাওবীনা অহানবা শঙলেন শারকপদা ঙমজবা তরেৎ শেঞ্জা কৎপদা নত্তনা ইপুধৌ মমতা চনুগী য়ূমগী অৱাৎ-অপা কয়াদসু মতেং পাংবিখিবগী মথক্তা হৌজিক ফাওবদসু মতেং অদুম পাংবিরি। অদুনা ইপুধৌ খুমননসু য়াইফ থৌজাল অদুম পীবিরি।

অনীশুবদা, ককৱাদা লৈবা ফৌওইবী ইমাগী শঙলেন মনাক্তা লৈবা ব্রহ্মচারিময়ূম ইবুংঙো শর্ম্ম কৌবসি মশা পংথবোই তৌদুনা চৎপা ঙমদনা লায়না লায়ওং খঙদবদগী ইরমদমসিগী অখঙ অহৈ অমদি মপান লমদা চৎতুনা লায়েংলুবা মতমদা ঙমদবদগী কান্নরবোই খন্দুনা য়ূমদা হল্লক্লবা মতমদা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী পাউজেল্লোই ওইবিরিগী লাইশ্রম মমতা চনু ময়াম্না ইপুধৌ হায়না কৌনরিবিসিগী মনাক্তা চৎলগা ইপুধৌ খুমনগী য়াইফ থৌজালদগী তরেৎলক্তং কাম্বা, ঈশিং শোল্লগা পীথকপা অমদি তৈবনচিংবা তৌবদগী হান্না লেংবা ঙল্লমদবা, চৎপা ঙল্লমদবদু হৌজিক্তদি সাইকল থৌদুনা চৎপা ঙল্লে। হৌজিক চাওরাক্লা মশাগী চহী ৪৫-৫০ ফাওবগী মনুং ওইরম্বা য়াবসিনা অনাবা ফহনবিবদা পেনবগা হরাউবগা পূনবদগী গ্যাসকী ষ্টোভ অমদি গ্যাস পিক থন্না য়াওবা সিলিন্দর অমগা কোন্নবা গ্যাসকী সেট অমা ইপুধৌগীদমক কৎচরকখি।

অহুমশুবদা, কুমারি নিংথৌজম বিবি চনু, অপোকপা নিংথৌজম ইন্দ্রজিৎ অমদি অপোকপী নিংথৌজম ওংবী বিনো, শিংজমৈ ওক্রম লৈকায়দা লৈবিসি মশা মথোৎ কারকপী লৈশাবী মচা ওইরিঙৈদা মশাগী মমায়দা অহানবদা হুমাং লাইগী মওংদা তৌরম্বদগী চেকখায়বনচিংবা ফীভম তৌরকপদগী করি লায়না লাইওংনো হায়না লায়েংবা, মাইবগী হীদাক মখল কয়া অমদি মমিং লৈরবা উনশাগী ডাক্তরনা অকোনবদা মতম য়াম্না শাংনা, শেল য়াম্না চঙনা য়েংবদা ফৎখিদে। অদুবু অনৌবা খূৎলায় চেনখিবদু য়ৌরক্লগনি অমুক হায়দুনা মতম য়াম্না মাঙহন্না স্কিনগী ডাক্তরদুনা লায়েংবদা মায়গী ফীভমদা মওং তাদনা লৈশাবী মচা ওইরিবী বিবিগী অনাবা হেনজিল্লকপদগী কোন্না কায়নথংদা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌ তোংবি/পাউমেল্লোই ওইবিসি লাইগী নোংদমদগী ইপুধৌ লাইশ্রম মমতা চনু থেংনরুবদগী খুমন ইপুধৌগী অঙকপা মতিক ময়াই লৈরবা ‘রে’ না কান্বা, ঈশিংদা শোল্লগা পীথকপা অমদি তৈবা তৌবদগী নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা পুংফা ফখিবদগী অনৌবা মপোক অমগুম পেনমনখিবদগী অমদি ইপুধৌ মমতা চনুগী ইমুংদসু মী লৈজদবা ওইবনা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী নুংতিগী থৌগল অমদি পাউজেল লৌবা লাকপশিংগী লমজিং লমতাকপা, মতেং পাঙনবা ইপুধৌনা চিংশিনবিবা মানবা মওংদা ইপুধৌ মমতা চনুগা কুমারি নিংথৌজম বিবিগা চপ মান্নবা ৱাখল ওইহনবিরম্বসি খুমন ইপুধৌগী অঙকপা থৌশিল ওইরমগদ্রা হায়না অইবনা খঞ্জে। কুমারি নিংথৌজম বিবি মশাগী ওইবা শকওং শাদা খজিক্তং হায়বা তারবদি চুম ফিরাল চাবী, ঙারোই শাবান তাবী, মরেপসু নুপী ওইবীগী চপ চানা চৎনবা য়ানা ৱাংবী, য়ূম্বানবগী চপ চাবা চহী মতাং ওইরক্লুবিবিনি। অদুবু তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী



ইপুধৌগী থৌগল চংলিবী কুমারি নিংথৌজম বিবি চনু

পাউজেল্লোই ওইবিরিবী হৌজিক্তা ইপুধৌ লাইশ্রম মমতা চনুনা ইপুধৌগী অহকপা মতিক ময়াই শীজিন্নরগা মাইবা অমদি ডোক্তরনা লায়েংবদা ফবা ঙল্লমদবদু ইরায় লায়না নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা হৌজিক মমিদা উরিবা মায়থোংগী শক্তমসিমক ওইহনবীবসিদনি কুমারি বিবিনা মশাগী অচেৎপা ৱাখল অমদি অপোকপী পলেম ইমাগী অয়াবা য়াথংসু লৌজরগা কত্থোকপদা সি ফাওবা হায়বা পান্দম চাংদমনীংঙাই লৈতনা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী মতেং পাংবা থৌগল্লোই অমা ওইনা ইপুধৌ লাইশ্রম মমতা চনুগী হেক পোকমিন্নবী মনাওনুপী অমগুম্না অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাংগী ওইবদা ফম্বাল কারিঙৈগীদনা ইপুধৌ হায়না শৈথাজরগা অদুগা ফম্বাল কাদবা ৱাংলেন মতমদনা নুংশিনা ইচে - ‘ইপুধৌ - ইচে’ হায়না নোংমগী মতম পুং ২৪ না শাবসিদা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী থৌরম থৌদা খুদিংদা অৱা নুংঙাই অমৎতা ওইনা শরুক য়াদুনা মায়োক্লবসিমক তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী অঙকপা থৌশিল ওইরম্মোই হায়নিংঙাই লৈতে। থম্মোয় শেংনা কত্থোকপা ঙম্বসিমকনি কুমারি বিবি চনুদগী তমগদবসি খুন্নাইনা।

‘তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌনা য়াইফরে’।